# অঙাং ৯৯ শিখিবদগী ইন্দোনেসিয়ানা সিরপ অমসুং মহিগী হিদাক খুদিংমক অথিংবা থমখ্রে

জকারটা, ওক্তোবর ২০ (এজেন্সী):

ইন্দোনেসিয়াদা অঙাং ১০০ রোম শিখিবদগী লৈবাক অসিদা সিরপ অমসুং মহিগী হিদাক পুম্নমক য়োনবদা অথিংবা থমখ্রে। খোঙথাং অসি অঙাং ৭০ রোম শিখিবগা গাম্বিয়াগী কপ সিরপ অমগা মরী লৈনৈ হায়বসি খঙলকখিবা মতুং চয়োল খরগী মনুংদা লাকপনি।



ইন্দোনেসিয়ানা হায়রি, মদুদি সিরপকী হিদাক খরদি চহী অসিদা অঙাং ৯৯ শিহনখিবা একুট কিদনি ইঞ্জুরিস (একেআই) গা মরী লৈনবা মচলশিং য়াওরম্বা থেংনখি। হিদাক অদু মপানদগী পুশিল্লকপ্রা নত্ত্রগা ইন্দোনেসিয়াদা পুথোকপ্রা হায়বগী মতাংদা শেংনা খঙবা ঙমদ্রি।

শগোলশেল নুমিত্তা ইন্দোনেসিয়াগী হেল্‌থ ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা মখোয়না অঙাংশিংদা একেআইগী কেস ২০০ রোম থেংনখি। অঙাং অয়াম্বা চহী মঙাগী মখাশিংনি। থা অসিগী অঙনবদা ৱার্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না গাম্বিয়াদা অঙাং ৭০ শিখিবগা মরী লৈনবা কপ সিরপ মরিগী মতাংদা গ্লোবেল এলার্ট অমা ইস্যু তৌখিবনি।

দব্লিয়ু ঐচ ওনা লমদম অদুদা শীজিন্নখিবা ইন্দিয়াগী ফার্মাস্যুটিকেল কম্পেনি অমনা শাবা সিরপশিং অদুদা য়ানিংঙাই ওইবা চাংদা দাইইথিলিন গ্লাইকোন অমসুং ইথিলিন গ্লাইকোন য়াওই হায়বসি খঙলকখি। সিরপশিং অদু একুট কিদনি ইঞ্জুরিশিংগা মরী লৈনৈ হায়না ওর্গনাইজেসন অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

শগোলশেল নুমিত্তা ইন্দোনেসিয়াগী হেল্‌থ মিনিষ্টরনা হায়খি, মদুদি কেমিকেল কম্পাউন্দশিং অদুমক লৈবাক অসিদা শীজিন্নরিবা হিদাক খরদসু য়াওরম্বা থেংনখি।

হেল্‌থ মিনিষ্টর বুদি গুনাদিন সাদিকিন্না হায়খি, মদুদি চহী মঙাগী মখা ওইবা এ কে আইগী অঙাং পেসেন্টশিংনা শীজিন্নখিবা সিরপ খরা ইথিলিন গ্লাইকোন অমসুং দাই ইথিলিন গ্লাইকোন য়াওরে হায়বসি প্রুভ তৌরে। তশেংনমক কেমিকেলশিং অসি অদুগুম্বা অঙাংশিংনা শীজিন্নগদবা সিরপশিং অদুদা য়াওফম থোক্তবনি নত্ত্রগা য়াওবা তারবসু য়াম্না পীকপা এমাউন্টদা য়াওগদবনি। অদুম ওইনমক মহাক্না টোক্সিট দিহাকশিং অদুগা চেন্নবা কেস মশিং কয়া য়াম্বগে হায়বদুদি ফোঙদোকখিদে।

ইন্দোনেসিয়াগী ওথোরিটিশিংনা হায়রি, গাম্বিয়াদা শীজিন্নখিবা কপ সিরপশিং অদু মফম অদুদা পাক্তক্লনা য়োনবা নত্তে। ইপিদিমোলোজিষ্ট অমনা ফোঙদোকখিবদা সিরপ কপ অমসুং মহিগী হিদাকশিং অদু থক্লুবদগী শিখিবা অঙাংগী মশিং অসি রিপোর্ট তৌরিবা মশিং অসিদগী হেল্লম্বা য়াবগী থাজবা লৈ।

গ্রিফিট য়ুনিভর্সিটিগী ইপিদিমোলোজিষ্ট অমা ওইরিবা দিক্কি বুদিমাননা বিবিসি ইন্দোনেসিয়াদা ফোঙদোকখিবদা অসিগুম্বা কেসশিং থেংনবা মতমদা ঐখোয়না খঙগদববদি মদু তশেংনা লৈরমগদৌরিবা কেস মশিং অদুগী শরুক খরখক্তনি। অদুনা ভিক্তিমশিংগী মশিং রিপোর্ট তৌরিবা মশিং অসিদগী য়াম্না হেল্লমগনি।

ইন্দোনেসিয়াগী ওথোরিটিশিংনা হৌজিক ফাওবদা অঙাংশিং নারিবা অদুগা মরী লৈনরিবা সিরপকী হিদাকশিং অদুগী ব্রান্দশিং নত্ত্রগা মখলশিং ফোঙদোরকপা লৈত্রি। হিদাকশিং অদুগী ব্রান্দ নত্ত্রগা মখলশিং ফোঙদোকপগী মহুত্তা লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংনা সিরপ অমসুং মহিগী হিদাক পুম্নমক য়োনবা অমদি প্রিস্ক্রাইব তৌবা থিংখ্রে।

# থা ৫২ গী মতুংদা এফ এ টি এফনা পাকিষ্টানবু গ্রে লিষ্টতগী লৌথোক্কদৌরি

ইস্লামাবাদ, ওক্তোবর ২০ (এজেন্সী):

পেরিসতা ইরাই নুমিত্তগী হৌরগা নুমিৎ নীনি চুপ্পা চথুগদৌরিবা ফাইনান্সিএল এক্সন টাস্ক ফোর্স (এফ এ টি এফ) কী প্লিনরি সেসন মনুংদা পাকিষ্টানবু মসিগী গ্রে লিষ্টতগী লৌথোক্লগনি হায়না ইস্লামাবাদনা থাজরি।





মীফম অদুদা শরুক য়ানবগীদমক্তা পাকিষ্টানগী ষ্টেট মিনিষ্টর ফোর ফোরেন এফিয়র্স হিনা রবানি খার হৌজিক পেরিসতা লৈরি। এফ এ টি এফনা ইরাই অমসুং থাংজদা মসিগী অহানবা প্লিনরি সেসন চহী অনীগী টার্ম অমগী ওইনা সিঙ্গাপোরগী টি রাজা কুমারনা প্রসিদেন্সি পায়রিঙৈ মনুংদা পাঙথোক্লগনি।

পেরিসতা বেজ তৌবা অরান অহুইগী থবকশিংগা মরী লৈনবা শেলগী মতাংদা কুপ্পা য়েংশিল্লিবা গ্লোবেল ৱাটচ দোক অসিগী মতুং ইন্না ইন্টরনেসনেল মনিটরি ফন্দ, য়ুএন, ৱার্ল্ড বেঙ্ক, ইন্টরপোল অমসুং ফাইনান্সিএল ইন্টলিজেন্স য়ুনিটকী ইকমোন গ্রুপ য়াওনা গ্লোবেল নেটৱার্ক অমসুং ওবজার্বর ওর্গনাইজেসনশিংগী মেম্বর ২০৬ রিপ্রজেন্ট তৌরিবা দেলিগেটশিংনা পেরিসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্কিং গ্রুপ অমসুং প্লিনরি মীটিংশিংদা শরুক য়াগনি।

মীফম অদু লোইরবা মতুংদা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱাটচ দোক অসিনা মরু ওইবা ৱারেপশিং লাউথোক্কনি। পাকিষ্টান অসি থা ৫২ চুপ্পা ৱাটচ দোক অসিগী গ্রে লিষ্টতা লৈরকপনি হায়না জিও ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়রি।

চহী অসিগী সেপ্টেম্বরদা এফ এ টি এফ অমসুং সিদনিদা লৈবা রিজনেল এফিলেট এসিয়া পেসিফিক গ্রুপকী মেম্বর ১৫ গী টিম অমা পাকিষ্টানদা লাকখিবনি। টিম মেম্বরশিংনা লৈবাক অসিগী রুলশিং, রিগুলেসনশিং অমসুং ইন্সটিট্যুস্নেল মেকানিজমশিং য়েংশিনখি। এফ এ টি এফকী টিম অদুনা মিনিষ্ট্রিশিং, মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং, রিগুলেটর অমসুং লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা থম্লল্লিবা এরেঞ্জমেন্টশিং স্ক্রুটিনি তৌদুনা সিষ্টেমশিং অমসুং প্রোসিজরশিং অদু মনি লোন্দরিং অমসুং টেরর ফাইনান্সশিং তুং কোইনগী ওইনা থেংনবদা খুদোংচাগদ্রা হায়বদু ভেরিফাই তৌনবা হোৎনখি।

হৌখিবা থাদা পাকিষ্টানদা ভিজিট তৌখিবা ওন-সাইট টিম অদুগী এসেসমেন্ট একজামিন তৌরবা মতুংদা প্লিনরি অদুনা অরোইবা ৱারেপ লৌগনি।

# লাইচৎ নৌহৌননা কনখৎলকপদগী ওথোরিটিশিংনা য়ুরোপতা কোভিদ ১৯ গী চেকশিন থৌরাংশিং লেপ্তুনা লৌখৎনবা আপিল তৌখ্রে

রোম, ওক্তোবর ২০ (এজেন্সী):

নিংথম থা চঙলকপদা য়ুরোপকী লৈবাক কয়াদা কোভিদ ১৯ ইনফেক্সনগী অনৌবা ৱেব অমা লাকপগা লোয়নননা মতম খরগী মনুংদা লায়না অসিগী কেস মশিং লেপ্তুনা হেনগৎলক্কনি হায়বগী অকিবা লৈবদগী এক্সপার্টশিংনা ভেক্সিনেসনগী থবকশিং কনখৎনবা অমদি হেন্না কনবা হকশেলগী থৌরাংশিং লৌখৎনবা আপিল তৌরি।





গ্রিসতা ওক্তোবর ১০ দগী ১৬ ফাওবগী চয়োলদা কেস ৫৫,২৪২ কনফার্ম তৌদুনা মমাঙগী চয়োলগা চাংদম্নবদা চাদা ৮ হেনগৎখি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা নেসনেল পব্লিক হেল্‌থ ওর্গনাইজেসন্না রিপোর্ট অমদা হায়খি, মদুদি চয়োলগী ওইনা অনৌবা ইনফেক্সনশিংদুগী মনুংদা চাদা ২১ দি রিইনফেক্সনশিংনি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়, ওক্তোবর ১০-১৬ কী চয়োলগী মনুংদা কোভিদ ১৯ পেসেন্ট ১৩৫১ হোস্পিটালশিংদা এদমিট তৌদুনা মমাঙগী চয়োলগা চাংদম্নবদা চাদা ২৩ হেনগৎখি।

নেদরলেন্সনা কোভিদ ১৯ না মরম ওইদুনা হোস্পিটলাইজ তৌবা মী মশিং লেপ্তুনা হেনগৎলক্তুনা এপ্রিল ১৫ গী মতুংদা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক য়ৌরক্লে। নেসনেল ইন্সটিট্যুট ফোর পব্লিক হেল্‌থ এন্দ ইনভাইরনমেন্টনা হায়রি, মদুদি মতম খরগী মনুংদা অনৌবা ইনফেক্সনশিংগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই। ফিনিস নেসনেল রেদিও য়ালেনা চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা পীখিবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ফিনলেন্দদা কোভিদ ১৯ না হৌজিক মী শিহনবগী চাং অসি ই য়ুগী এভরেজতগী শরুক মঙা হেল্লি।

ওক্তোবর থাগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা ফিনিস ইন্সটিট্যুট ফোর হেল্‌থ এন্দ ৱেলফ্যেরনা কোভিদকা মরী লৈনবা মীশি ২৬১ রিপোর্ট তৌখ্রে। য়ুরোপিয়ন হেল্‌থ এজেন্সিশিংনা ওক্তোবর ১২ দা রিলিজ তৌখিবা জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়রি, মদুদি ঐখোয় চহী অমগী মমাঙদা লৈখিবা ফিভম অদুমক নত্ত্রবসু হৌজিক কোভিদ ১৯ পেন্দামিক লোইদ্রি হায়বসি য়াম্না শেংলে। লাইবক থীবদি য়ুরোপতা লায়না অসিগী লাইচৎ অমুক হন্না কনখৎলক্লি হায়বগী ময়েক শেংবা ইঙ্গিৎশিং ঐখোয়না উবা ফঙদে।

দব্লিয়ু ঐচ ওগী রিজনেল দিরেক্তর হান্স ক্লুগে, য়ুরোপিয়ন সেন্টর ফোর দিজিস প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল (ইসিদিসি) গী দিরেক্তর এন্দ্রি অমোন অমসুং য়ুরোপিয়ন কম্মিস্নর ফোর হেল্‌থ এন্দ ফুদ সেফতি ষ্টেলা কিরিয়াকিদিসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়রি, মদুদি য়ুরোপতা লাইচৎ অসিগা মরী লৈননা শেম শাবগী চেকশিন থৌরাংশিং মখা তানা লৌখৎপা মথৌ তাই। ঐখোয়না হৌজিক লায়না অসিগা মরী লৈননা কোমথোকপা য়াদ্রি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইটালিগী হেল্‌থ মিনিষ্ট্রিনা রিস্ক লৈবা মীওইশিংগীদমক্তা অহুমশুবা বুষ্টর ওইনা অনৌবা বাইবলেন্ট কোভিদ ১৯ ভেক্সিনশিং শীজিন্নবা রিকমেন্দ তৌখি।

# বোমগী এটেকতা কুর্দিষ্ট ওফিসর অনী শিখ্রে

বাগদাদ, ওক্তোবর ২০ (এজেন্সী):

ইরাকি সেমি-ওটোনোমস রিজন কুর্দিষ্টানদা চথুখিবা বোমগী এটেক অমদা কুর্দিষ্ট কম্মান্দো ফোর্স অমগী ওফিসার অনী শিখ্রে অমসুং কম্মান্দো তরেৎ অশোক অপন নঙলে হায়না কুর্দিষ্ট সেক্যুরিটি ছোর্স অমনা ফোঙদোরক্লি।

ছোর্স অদু পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, ইস্লামিক ষ্টেট (আইএস) মিলিটেন্টশিংনা লন্বী অমগী নাকলদা প্লান তৌখিবা বোম অমা পেসমেরগা হায়না খঙনবা কুর্দিষ্ট সেক্যুরিটি ফোর্সকী কম্মান্দোশিং পুরিবা ভেহিকল অমগী মনাক্তা পোকখায়হন্দুনা এটেক অদু চথুখিবনি। ছোর্স অসিনা হায়, নোর্থ ইষ্টর্ন ইরাকি সুলাইমনিয়া প্রোভিন্সকী খা থংবা শরুক্তা লৈরিবা লৈতঙ্গাইগী এরিয়াদা ট্রুপশিংনা আইএস মিলিটেন্টশিং অদু ফঙননবা ওপরেসন অমা চথুখি। মহাক্কী মতুং ইন্না ব্লাষ্ট অদুনা ভেহিকল অদুবু মাঙহন তাকহনখিবগা লোয়নননা মদুদা তোংখিবা ওফিসার ২ শিখি অমসুং কম্মান্দো ৭ অশোক অপন নঙখি।

# হামাসনা চহী তরাগী মতুংদা সিরিয়াগা মহৌশাগী মরী হঞ্জিন্নখ্রে

দমাস্কস, ওক্তোবর ২০ (এজেন্সী):

চহী তরাগী মতুংদা হামাসনা সিরিয়াগা মহৌশাগী মরী হঞ্জিন্নরে হায়না পলেষ্টিনিয়ন নেসনেল ওর্গনাইজেসন অসিগী সিনিয়র ওফিসল অমনা লাউথোকখ্রে।



য়ুমশকৈশ নুমিত্তা দমাস্কসতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা হামাসকী ব্যুরো ওফ আরব এন্দ ইস্লামিষ্ট রিলেসন্সকী চার্জ পায়রিবা সিনিয়র ওফিসল খালিন অল-হায়ানা হায়খি, মদুদি মমাঙগী থৌদোকশিং কাউথোল্লগা অনৌবা মরী অমা থম্নবা হৌনবগী ৱাফম ঐখোয়না প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদকা য়ানরে।

মহাক্না ৱাফম অসি সিরিয়াগী কেপিটেল দমাস্কসতা হামাস অমসুং পলেষ্টিনিয়ন ফেক্সন কয়াগী রিপ্রজেন্টেটিবশিংগী ওইবা দেলিগেসন অমগা সিরিয়ন প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদকা মীফম অমা পাঙথোল্লবা মতুংদা ফোঙদোকখিবনি।

অল-হায়ানা মখা তাখিবদা ওর্গনাইজেসন অসিনা দমাস্কসকা লৈনবা মরী তৎননবা অমদি এন্টি-গভর্ণমেন্ট রেবেলশিংবু শৌগৎনবা ৱারেপ লৌখিবদু অশোইবা ৱারেপ্নি। সিরিয়ন গভর্ণমেন্টগা মহৌশাগী মরী হঞ্জিলহন্ননবগী ৱারেপ অদু হামাসকী লিদরশিপনা মত অমত্তা ওইনা লৌখিবনি।

মীফম অদু লোইরবা মতুংদা সিরিয়ন প্রসিদেন্সিনা ইস্যু তৌখিবা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না প্রসিদেন্ট অসাদনা মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা পলেষ্টিনিয়নশিংগী ইন্টরেষ্টশিং মপুং ফানা শৌগৎলি হায়না নৌহৌননা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, পলেষ্টিনিয়ন দেলিগেসনগী মেম্বরশিংনা সিরিয়ন গভর্ণমেন্টবু পলেষ্টিনিয়ন মীয়াম্বু শৌগৎপা অমদি হিরম অসিগা মরী লৈননা দমাস্কসনা কথোকখিবশিং অদুগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

কুমজা ১৯৯৯ দগী দমাস্কস অসি হামাসকী হেদ ক্বার্টর্স ওইরকখি। কুমজা ২০১২ দা সিরিয়াদা সিভিল ৱার হৌখিবদগী মুভমেন্ট অসিগী লুচিংবশিং সিরিয়া থাদোকখি অমসুং হৌজিক কটার অমসুং টর্কিদা মুভমেন্ট অসিগী হেদ ক্বার্টর লৈরিবনি।

য়ুমশকৈশ নুমিৎকী প্রেস কনফরেন্স অমদা অল-হায়ানা হায়খি, কটার অমসুং টর্কিনা অনৌবা দিভলপমেন্ট অসিদা য়ানিংদবা উৎলকপা লৈতে। হামাসনা দমাস্কসকা মহৌশাগী মরী হঞ্জিলহন্নবা ৱারেপ লৌরে হায়বসি লৈবাক অনী অসিদা খঙহনখিবনি। হামাসকা মান্নদনা ক্রাইসিস মনুংদা সিরিয়াদা মখা তানা লৈখিবা দমাস্কসতা ওপরেট তৌরিবা অতৈ পলেষ্টিনিয়ন ফেক্সনশিংনা মহৌশাগী মরী হঞ্জিলহনবগী খোঙথাং অসিবু তরাম্না ওক্লখ্রে।

# টেররিজম শৌগৎপগীদমক ইরাননা বৃটিস ওফিসলশিংদা অথিংবা কয়া থমখ্রে

টেহরান, ওক্তোবর ২০ (এজেন্সী):

টেররিজম অমসুং টেররিষ্ট গ্রুপশিংবু শৌগৎপা, টেররিজমগী থবক থৌরমশিং পায়খৎনবা লৌতুনবা, ভাইওলেন্স অমসুং অতম্মনা মীওই গ্রুপ খরবু হঙ্গৈই তুক্কৎচবা পোকহন্নবা হোৎনবা অমদি হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেসনগা মরী লৈনবা ইরানিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা বৃটিস ইন্সটিট্যুট অমদি ইন্দিভিজুএল কয়াদা অথিংবা কয়া থমখ্রে।



মিনিষ্ট্রি অসিনা মসিগী ৱেবসাইটতা থাগৎপা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, খোঙথাং অসি মরী লৈনবা লিগেল রিগ্যুলেসনশিংগী ফ্রেমৱার্ক অমসুং সেঙ্কসন মেকানিজমশিংগী মনুং চন্না লৌখৎপনি অমদি চপ চাবা লমন খুম্বগী খোঙথাংনি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইরাননা বৃটিস গভর্ণমেন্টবু টেররিষ্টশিং শৌগৎলি হায়না লৌবগা লোয়নননা য়ুকেগী সোইলদগী ইরানদা টেররিজমগী থবক থৌরম কয়া পায়খৎহনবা অমদি মীয়াম্বু ইরাং হৌহনবদা চেন্নে হায়না লৌই।


ইরানিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা অথিংবশিং থল্লিবা এন্টিটিশিংগী লিষ্ট অদুদা নেসনেল সাইবর সেক্যুরিটি সেন্টর ওফ বৃটেন, বৃটিস গভর্ণমেন্ট কম্যুনিকেসন হেদ ক্বার্টর্স, বোলান মেদিয়া, গ্লোবেল মেদিয়া, দিএমএ মেদিয়া অমসুং মখোয়না শৌগৎলিবা ইরানিয়ন টিভি চেন্নেলশিং হায়বদি বিবিসি পর্সিয়ন অমসুং ইরান ইন্টরনেসনেল য়াওই।

ইরানগী অথিংবশিং অদুনা বৃটিস মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর সেক্যুরিটি টোম টুগেন্দা গল্ফ অমসুং গল্ফকী বৃটিস মিলিটরি কম্মান্দর দোন মেকিনোন য়াওনা ইন্দিভিজুএল কয়াদসু টার্গেট তৌরি। অথিংবশিং অসিনা টার্গেট তৌরিবা ইন্দিভিজুএলশিংবু ভিজা ফঙহন্দবগা লোয়নননা ইরানদা চঙবা য়াহল্লোই অমদি ইরানদা লৈরিবা মখোয়গী এসেটশিং অমসুং বেঙ্ক একাউন্টশিংসু ফ্রিজ তৌগনি। শগোলশেল নুমিৎকী অহিংদা ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর হোসেন অমির-অব্দোলাহিয়ন্না হায়খি, মখোয়না মশাগী চহী ২২ শুরবী মহশা অমিনি শিখিবা মতুংদা ইরানদা মেদিকেলগী অথিংবশিং থম্বদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা অমদি ভাইওরেন্স অমসুং এক্সট্রিমিজম হেনগৎহন্নবা হোৎনখিবা মীওইশিং অমসুং ইন্সটিট্যুটশিংদা টার্গেট তৌগনি।

# রসিয়ানা লৌশিনখিবা য়ুক্রেনগী লম মরিদা পুটিননা মার্সিএল লো চৎনহনখ্রে

মোস্কো, ওক্তোবর ২০ (এজেন্সী):

রসিয়ানা হৌখিবা থাদা লৈবাক অসিগী লমনি হায়না ক্লেম তৌখ্রবা মোস্কোনা ওক্যুপাইদ তৌখিবা য়ুক্রেনগী লম মরিদা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা মার্সিএল লো চৎনহনখ্রে।



প্রসিদেন্ট পুটিননা গভর্ণমেন্টদা য়ুক্রেনদা রসিয়ানা লৌখৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং হেন্না খুমাঙ চাওশিলহন্নবা স্পিসল কোওর্দিনেটিং কাউন্সিল অমা শেম্নবসু ইন্সট্রক্সন পীখ্রে।

প্রসিদেন্ট পুটিননা হায়খি, মদুদি রসিয়াগী তুংগী অফবা ফিভম অমা শেমগৎনবা অমদি ঐখোয়গী মীয়ামগী তুংলমচৎকীদমক ঐখোয়না অরুবা অমদি অচৌবা থবকশিং পায়খৎলক্লি। হৌখিবা সেপ্টেম্বরগী অঙনবা শরুক্তগী য়ুক্রেনগী লানদা পরিং নাইনা মায়থীবা নঙখ্রবা মতুংদা খোঙথাং অসি রসিয়াগী প্রসিদেন্ট অসিনা লান অসিবু ইনৌনৌবা দিরেক্সন অমদা লাকহন্নবা থাংলকপনি হায়না লৌনরি।

মহাক্কী খোঙথাং অদুবু এক্সপ্লেন তৌরদুনা পুটিননা হায়খি, মহাক্না ওর্দর তৌরিবা থৌরাংশিং অদুনা ইকনোমি হেন্না ষ্টেবল ওইহনগনি অমসুং ইন্দষ্ট্রি অমদি প্রদক্সন হেনগৎহল্লগনি। য়ুমশকৈশগী অঙনবদা ওক্যুপাইদ রিজন মরিগী মনুংদা অমা ওইরিবা খের্সোনদা লৈরিবা রসিয়ানা থল্লিবা ওফিসলশিংনা সিভিলিয়নশিংদা য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংনা এটেক তৌরকপা য়াবগী ফিভম লৈবনা য়ারিমখৈ থুনা মফম খরা থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমশিংদা চৎননবা খঙহনখি।

অমরোমদা, কিভনা মদুবু মীয়ামদা মীপায়বা পোকহন্নবা হোৎনরকপনি হায়না ফোঙদোরকখি।

# চাইনানা টিবেটান অইবা অমসুং এক্তিভিষ্ট তরুক সেক্যুরিটি চার্জশিংদা জেলদা থাজিনখ্রে

লাসা, ওক্তোবর ২০ (এজেন্সী):

টিবেটতা লৈরিবা চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা টিবেটান অইবা অমসুং এক্তিভিষ্ট তরুক তোখায়না তানবগী ঈহৌ শাগৎপা অমদি ষ্টেট সেক্যুরিটিদা অকায়বা পীনবা হোৎনবগী চার্জশিংদা চহী মরিদগী ১৪ ফাওবা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে হায়না টিবেটান ছোর্সশিংনা ফোঙদোরক্লি।



এক্তিভিষ্ট অমা ওইরিবা সেলয়াংবুনা চহী তরুক জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে।

মীওই তরুক অদু ফারবা মতুং চহী অমদগী অনী ফাওবা ঈ পাউ অমত্তা ফাওনহন্দনা থল্লবা মতুং হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা সিচুৱানগী কাটজে টিবেটান ওটোনোমস প্রিফেকচরদা জেলগী চৈরাক অদু পীখিবনি হায়না লোইদা লৈবা টিবেটান ছোর্স অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখ্রে।

লমদম অদুগী কন্টেক্টশিং পল্লদুনা স্বিটজরলেন্দদা লৈবা গোলোব জিকমে কৌবা হান্নগী পোলিটিকেল প্রিজনর অমা ওইরিবা আর এফ এগী ছোর্স অদুনা হায়, পুম্নমক অসি করিমত্তা খঙহন উহন্দনা য়াম্না লোৎনা থুপ্পা চথুখিবনি।

জিকমেনা হায়, টিবেট মনুংদা অকনবা রেষ্ট্রিক্সনশিং অমসুং স্ক্রুটিনি লেপ্তবনা মরম ওইদুনা মীওইশিং অদুগী হৌজিক লৈরিবা হকচাংগী ফিভমশিং নত্ত্রগা মখোয় হৌজিক কদায়দা ফাজিন্দুনা থল্লিবগে হায়বদুগী অহেনবা অকুপ্পা পাউ খঙবদা ৱানা থোকই।

মহাক্কী মতুং ইন্না কুটজে পিপলস কোর্টনা জেলগী চৈরাক পীখিবশিং অদুদি অইবা অমা অমসুং স্কুলগী ওজা অমা ওইরম্বা গাঙ্গে দ্রুপাকিয়া হৌজিক চহী ১৪ গী জেল টর্ম অমা সর্ভ তৌরি। অইবা অমসুং ইনভাইরনমেন্টেল পোলিটিকেল এক্তিভিষ্ট অমা ওইরিবা গাংগুয়ুদ্রুম হৌজিক চহী তরেৎকী টর্ম অমা সর্ভ তৌরি। কর্টজেগী কোর্টনা জেলগী চৈরাক পীখিবশিং অদুদা পোলিটিকেল এক্তিভিষ্ট অমা ওইরিবা সেরিং দোলমাসু য়াওরি। মঙোন্দা চহী নিপান জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে। পেমা রিংচেন কৌবা অমবুনা চহী মরিগী জেল টর্ম পীবগা লোয়নননা সমদুক কৌবা পোলিটিকেল এক্তিভিষ্ট অমনা হৌজিক চহী নিপানগী টর্ম সর্ভ তৌরি।

মীওইশিং অসিবু ফাবগা লোয়নননা জেলগী চৈরাকশিং পীরিবা অসিনা বৈজিংনা টিবেটান রিজনশিংদা লৈরিবা চাইনিজ ওফিসলশিংবু য়াদবা নুপা নুপীশিংগী ইথিল মাঙহন্নবা লেপ্তুনা হোৎনরি হায়বসি উৎলি। মীওইশিং অসিগী মনুংদা খরদি মমাঙদসু মখোয়গী এক্তিভিটিশিংগা মরী লৈননা জেলদা লৈখ্রবনি হায়রি।

# মালেসিয়াগী জেনরেল ইলেক্সন নবেম্বর ১৯ দা পাঙথোক্লগনি

কুলালম্পুর, ওক্তোবর ২০ (এজেন্সী):

মালেসিয়াগী জেনরেল ইলেক্সন নবেম্বর ১৯ দা পাঙথোক্লগনি হায়না শগোলশেল নুমিত্তা লৈবাক অসিগী ইলেক্সন কম্মিসন্না লাউথোকখ্রে।

কন্টেষ্ট অদুদা শেঙ্গা থুমজাগী মরাল কয়া শীরিবা লৈঙাক পায়রিবা পার্টিনা মখা তানা পৱার পায়বা ঙমগনি হায়না থাজরি। হৌজিক ওপোজিসন কাংখোং চাইবগী ফিভমদা লৈবনা য়ুনাইটেদ মালেস নেসনেল ওর্গনাইজেসন (য়ু এম এন ও) না মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা মীখল অসিদসু ফিভম ফরকপা য়াই হায়না এনেলিষ্টশিংনা থাজনরি।

অমরোমদা, ভোটরশিংনা পোলিটিসিয়নশিংদা থাজবা ৱাৎলকপা অমদি হৌজিক্কী নোংজুগী সিজন্না মরম ওইদুনা ভোট থাদবগী চাং হন্থরকপা য়াই হায়নসু থাজনরি। ভোটরশিংনা শেল থুমগী খুদোংচাদ্রবা মতমশিংদা য়ুএমএনওগী থবক থৌরমশিংদা হৈনখিবা অসিনসু কুমজা ২০১৮ দা চাওনা মায়থীবা নঙখ্রবা পার্টি অসিবু শৌগত্তুনা ভোট পীরকপা য়াই হায়না থাজনরি। দোল্লর বিলিয়ন কয়াগী ১এমদিবি করপসনগী ৱাথোক্না মরম ওইদুনা হান্নগী পিএম নাজিক রাজক জেলদা লৈখ্রবনি।

শগোলশেল নুমিত্তা কম্মিসনগী চিয়ারমেন অব্দুল ঘানি সালেনা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি, মদুদি পার্লিয়ামেন্টরি কেন্দিদেটশিংনা নবেম্বর ৫ দা মখোয়গী নোমিনেসনশিং ফাইল তৌগদবনি। মীখলগী কেম্পেইনশিং চয়োল অনী চুপ্পা চথুবা য়াগনি। চহী অসিদা মালেসিয়ন মিল্লিয়ন ২১ রোম ভোট থাদবা য়াহনগদৌরি। মখোয়না সিট ২২২ লৈবা পার্লিয়ামেন্টকী লৱার হাউসকী লো মেকরশিং খনগদৌরিবনি। সিট ১১২ গী সিম্পল মেজোরিটি ফঙবা ঙম্বা পার্টি নত্ত্রগা কোল্লিসন অদুনা মথংগী গভর্ণমেন্ট শেমগনি। অমুক হন্না য়ুএমএনওগী প্রাইম মিনিষ্টরগী কেন্দিদেট ওইনা নোমিনেট তৌরবা প্রাইম মিনিষ্টর ইস্মাইল যাব্রি য়াকোবনা ওক্তোবর ১০ দা পার্লিয়ামেন্ট মুখৎপগা লোয়নননা মীখল অমা পাঙথোকপনা মতম শাংলক্লবা পোলিটিকেলগী তং তাদবা ফিভম লোইশিলহল্লগনি হায়রদুনা লৈবাক অসিগী মীখল ঙন্না পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোকখিবা মীখলদা মালেসিয়াগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা ওপোজিসন্না মায় পাকখি। মদু নিংতম্বা ফঙলকখিবদগী চহী ৬০ হেন্না লৈঙাক পায়রকখিবা য়ুএমএনওগী মায়োক্তা করপসনগী মরাল কয়া শীখিবনা মরম ওইদুননি। তৌইগুম্বসুং অমগা অমগা মত মান্নদবনা মরম ওইদুনা ওপোজিসন কোলিসন অদু শুপ্পগী থা ২২ গী মনুংদা কায়দুনা য়ুএমএনও অমুক হল্লকখি।

# লল্লোন ইতিক্কী অথিংবা লৌথোক্লবা ক্যুবানা য়ুএসতা তকশিনখ্রে

হাবানা, ওক্তোবর ২০ (এজেন্সী):

ক্যুবাগী মায়োক্তা লিশাং শিংনা থল্লকখিবা লল্লোন ইতিক্কী অথিংবা নত্ত্রগা ব্লোকেদ লৌথোক্লবা ক্যুবাগী ফোরেন মিনিষ্টর ব্রুনো রুদ্রিগিসনা য়ুএস গভর্ণমেন্টদা আপিল তৌখ্রে।



য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ক্যুবাগী কেপিটেল হাবানাদা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা রুদ্রিগিসনা হায়খি, মদুদি য়ুএসকী ব্লোকেদ অদুনা কুমজা ২০২১ গী ওগষ্ট অমসুং কুমজা ২০২২ গী ফেব্রুৱারীগী মরক্তা ক্যুবাদা মাঙহনখিবসি য়ুএস দোল্লর বিলিয়ন ৩.৮০৬ ফাওবনি।

অথিংবা অদু লোইশিন্নবা তকশিনবা দ্রাফট রিজোলুসন অমা ক্যুবা গভর্ণমেন্টনা চহীগী ওইনা য়ুএন জেনরেল এসেমব্লিদা সবমিসন তৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা আপিল অদু তৌখিবনি। নবেম্বরগী অঙনবা শরুক্তা জেনরেল এসেমব্লিনা দ্রাফট রিজোলুসন অদুগী মতাংদা খন্নবগা লোয়নননা ভোট লৌনগনি।

রুদ্রিগিসনা হায়খি, মদুদি য়ুএসকী অথিংবশিং অদুনা ক্যুবাবু ইন্টরনেসনেল মার্কেটতা চিঞ্জাক, হিদাক লাংথক, টেক্নোলোজি অমসুং ইনপুটশিং ফঙনবা হোৎনবদা অদুক্কী মতিক ৱাহনখি। ক্যুবাগী মায়োক্তা য়ুএসনা থল্লিবা অথিংবা অসি লৈহন্দ্রবদি মালেস অসি হেন্না ফবা মফম অমা ওইরগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইহান হানবা ওইনা কুমজা ১৯৬২ দা থমখিবা লল্লোন ইতিক্কী অথিংবা অদু য়ুএসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হেন্না চাওথোকহনখি। মহাক্না কেপিটেল হাবানা নত্তনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতগী ক্যুবাগী দেষ্টিনেসনশিংদা পায়বা ফ্লাইট পুম্নমক অথিংবা থম্বগা লোয়নননা ক্যুবান অমেরিকনশিংনা মখোয়গী ময়ুমশিংদা শেল থাবদসু লিমিট থমখি।

হৌজিক লৈরিবা য়ুএস এদমিনিষ্ট্রেসনননা এয়র লাইনশিং ক্যুবাগী অতৈ সিটিশিংদসু অমুক হন্না ফ্লাইট য়াহনবগা লোয়নননা শেল থাবদা থল্লম্বা পনখৈ অদুসু লৌথোকখ্রে। তৌইগুম্বসুং ক্যুবাগী মায়োক্তা মখা তানা অথিংবা কয়া হৌজিকসু লৈরি। থংন থংননা ২৯ লক য়ুএন জেনরেল এসেমব্লিনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা ক্যুবাগী মায়োক্তা থল্লিবা অথিংবা অদু লেপ্পনবা তকশিনবা রিজোলুসন অদুবু য়ুএন জেনরেল এসেমব্লিনা শৌগৎখিবনি।